ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯱꯸, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, নবেম্বর ১৮, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২২৯শুবা মশীং

## এস টি লিষ্টকী দিমান্দ

### চিনখুম মান্নহনবা চুমগনি

লৈবাকসি চাওই। ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ময়াম লৈ। হায়রিবা মফমশিংসিদা শক-চু মান্নদবা, লোন-ময়েক খেন্নবা, তোঙানবা চাকচা-য়ুথক অমসুং লাইনীং লম্বেল মান্নদবা মীওই কাঙলূপ ময়াম লৈ। অদুবু য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি ফুরুপ-কাঙলূপ পূম্নমক্তা চপ মান্নবা মিৎয়েং য়েংই। হীরম খুদিংমক্তা অমগা অমগগী মরক্তা থাক মান্নহন্নবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি। থবকশিংসি লৌখৎলকপদা লৈবাকসিগী মীয়ামগী মরক্তা জেনরেল, মাইনোরিটি, অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস (ও বি সী), সেদ্যুল্ড কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল্ড ত্রাইবকা হায়বা মমিংশিং চোঙথোরকই। শেমদুনা চৎনহল্লকই অমসুং শীজিন্নরকই। মসি পূম্নমক লৈবাকসিগী কাচিন-কোয়া শিন-থুংবদা লৈরিবা মীয়াম্বু থোং মান্ননা লৈহন্নবগীদমক্তনি। লৈবাকসিগী অফবা খোঙথাংনি। মসিমক্না জেনরেল, মাইনোরিটি, ও বি সীবু ওইরো নৎত্রগা এস সী/এস টিবু ওইরো হায়রিবা কাঙলূপসিদা চনবা করম-করম্বা মীওই কাঙলূপশিংবু করম্বা কাঙলূপ্তা চনগদগে হায়বগী অকক্নবা কয়াৎশিং য়াম্না ময়েক শেংনা লেঙদনা লৈরিবনি। মসিগীদক তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী মায়কৈদগী মাইনোরিটিগী ষ্টেটস পীবিয়ু, এস সী নৎত্রগা এস টি লিষ্টতা চলহনবীয়ু হায়বগী দিমান্দশিং তৌনরিবনি। মরম চাবা দিমান্দশিং পীদুনা চলহন্নবা য়াওরিবনি। হৌজিক মণিপুরগীসু মীতৈ/মৈতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বগী দিমান্দদা অকনবা খোঙজংশিং লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লি। খোঙজংসি চঙশিল্লকপা কুইরে। ঙসিদগীনা চহী ১০গী মমাঙদগী চঙশিল্লক্লিবনি। মীতৈ/মৈতৈনা এস টি লিষ্টতা চনবদা মসিগীদমক লৈরিবা রুলশিংনা য়াবা নৎত্রগা য়াদবগী ৱাফম তরাইথোকখ্রদনা হৌখিবা চহী খরসিদা মীতৈ/মৈতৈগী মশীং তাথরকপা, মণিপুরগী য়েলহৌমীনিদি হায়রগা ষ্টেটসিগী মফম পূম্নমক্তা খোঙদাফম লৈরক্তবা অমসুং অপীকপা ফুরুপ খরগী মরক্তগীনা 'হোমলেন্দ' পীয়ু হায়বনচিংবগী নিংঙাইগা তৌরকপা য়াওরকপনা দিমান্দসিমক হৌজিক্কী মতমসিগীদি 'নীদ ওফ দি অৱর' ওইরিবনি হায়বসিবুদি ১০০দা ১০০ চুন্নে।

অদুবু সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (এস টি দি সী এম) না মপাং লূপশিং অমসুং মীয়ামগা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিংগী মনুংদা হৌজিক এম এল এ/মিনিষ্টরগী য়ূমদা থোমজিন্দুনা মেমোরেন্দম পীশিল্লকপদা লৌশিল্লিবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিংগী মরক্তগী শৌগৎপা/শৌগৎতবগী ৱাফম য়াওনা চিনখুম মান্নদবা য়াওরকপসিদি লাইবক থীবা/থীদবগী ৱাফমখক নত্তনা খোঙজংসিনা অসি য়ৌশিল্লক্লবা ফাওবদা থয়াইননা 'ফেন্স সিটর' ওইনা লৈরম্বা য়াওরম্বসিমক্তি চুমদে হায়নীংই। দিমান্দসি তানবদা মরম চাবা/চাদবগী ৱাফম তরাইথোকখ্রগা হৌজিক য়েলহৌমী ওইজরিবা মীতৈ/মৈতৈনা মরমদম মণিপুরদা ওইরিবা ফীভমসিদদি এস টি লিষ্টতা তঙাইফদনা চলহৌদবা য়াদ্রে হায়বনি। মসিমক্নসু দিমান্দ অসি চহী ১০ হেঞ্জিল্লক্লবসু চোকথবা নাইদনা লেপ্তুনা তাল্লক্লিবনি। হৌজিক ফাওবদা ফংদ্রগসু তানফম থোকপদগী তান্দবা য়ারক্তবদগী তাল্লক্লিবনি। অদুবু মতাংসি য়ৌশিল্লক্লবা ফাওবদা দিমান্দসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী তাঞ্জা পীবিয়ু অদুগা মদুগী মতুংদা শৌগৎচগে হায়বনচিংবগী ৱাফমগা ফোঙদোরক্লিবা অসিবু ওইরম্ফম থোকপা ফীভমলা হায়বনি। লৈবাক্কী ইস্যু অমগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙগে হায়রবদি খঙনীংলিবা ইশানা অতম্লনা খঙননবা হোৎনগদবনি। ইশানা খঙনীংলিবদু মরী লৈনবা মীওইশিংনা লোইনমক ইমাংদা লেপ্লদুনা ৱাখল তাহল্লবা য়াওরক্তবসু য়াই। মদুমক তৌরক্ত্রে হায়দুনা ৱারৌরুবসু য়ারোই। মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনবীয়ু হায়বসিদি ফুরুপসিনা মণিপুরদগী তোঙানখ্রগে হায়বা নত্তে। অদুগা লৈমিন্নরক্লিবা অতোপ্পা ফুরুপশিংগী চাকথুং মৎকে মুনগে হায়বসু নত্তে। ঙসিগী মীতৈ/মৈতৈগী অমসুং মণিপুরগী ফীভমসিদা এস টি লিষ্টতা চন্দুনা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা ঙাক্লৌ অমা লৌদবা য়াদবগী ফীভমদা লৈরে হায়বনি। অদুবু মেমোরেন্দম পীশিনখিবশিংগী মনুংদা ঙানি-ঈশিংনি খঙদবা থয়াইনবা ৱাফম ফোঙদোরকপা য়াওরক্লবসু নীংহন্নরোইদবনি। ৱাখল তারমদবশিংসু তাহল্লু। তাল্লিবা দিমান্দসিসু ফংনবা মাঙলোমদা লেপ্তুনা চঙশিনবগী তঙাইফদবা লৈরিবনি হায়বসি কাউহন্নীংদে।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৪**

১) **''ওইরগদ্রা অরোইবা''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

২) **''ৱৎসনিংথৌ উদয়ন''** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবদু কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **''ক্লিওপাট্রা অপাম-নুংশি লাংথাকপী''** হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

৪) ''খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবনা হান্না লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ লাকনা কোরৌ নোং-ও য়েংও, মালেম লৈ ও খঙঙো। হৈরেম ইপল লম নঙ চুম্মো হায়না ৱায়রা তেন্থাববু শোয়রেন ফুমি তূনা তেনবাল্লে। চাইরেন নিংথৌ য়াফুরাকপনা লীরি থম্মোয় তিং লকা তেনমৈ পায়না কোরৌ নোংও য়েংও মালেম লৈ ও খঙও, হৈরেম ইপল লম নঙসুঙ চুমও হায়না ৱায়রা তেন্থাবদি খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবগী ফৈরা মতান পাংমা তুরে।'' ৱাহৈ পরেং অহুম অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৫) **''ৱারেপ''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কম্মিস্নর অমদি পঞ্চায়ট ইলেক্সনশিংনা লাকপদা

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

মিং থানগেরা-থানরোইরা ঙসিসু মণিপুরগী মীয়াম্না থাদনগদৌবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল (আই এম সী) অমদি মণিপুর পূম্নগী পঞ্চায়টকী ভোট য়ৌশিল্লক্লে। ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটি অমদি মণিপুরগী পঞ্চায়টনা কোনবা মফমশিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সনশিং অসিসু অসুক্কী মতিক ইমপোর্টেন্ট ওইবা ইলেক্সনশিংনি। ৱাফমসি মণিপুরগী মীয়ামসিনা থাজবীবা নৎত্রগা থাজবীদবা হায়বদুদি খঙদ্রে। মণিপুরগী আই এম সী অমদি রুরেল এরিয়া চিংবা মফমশিংদা লৈবা মীয়াম পূম্নমক্লা থাদনগদৌরিবা ইলেক্সন অনীসিগীদমক তপ্না-তপ্না লাঙবা-নীনবা অমদি খোইরেল মসা পাইবসু হৌনরকখ্রে। ইলেক্সন অনীসিনা নকশিল্লকপগা ইরোয়ননা ম্যুনিসিপাল এরিয়াদা লৈবা লৈকায়শিংদা 'কনা-কনানা কাউন্সিল্লরশিং ওইগনি' অদুগা রুরেল এরিয়া চিংবশিংদনা 'কনা-কনানা জিলা পরিষদশিং, প্রধানশিং অমদি লৈকায়গী মেম্বরশিং ওইগনি' হায়বা ৱাহংশিংনা নিনবা হৌনরক্লে। হীরমসিদা মণিপুরগী মীয়ামসি কোক থাদনরক্লি। কেন্দিদেট ওইগদবশিংসু অদু মঙায়, মাগী-মাগী মীচংশিং লেপ্তুনা খোম্নরক্লি। ঙরাংতা ঙাইরি জেনরেল ইলেক্সন লোইখিবা। ইলেক্সন মথং-মথং লাকপসিদা লমদমসিগী মীয়ামসি ইলেক্সনগী ৱা হৌদোক্লুবদা অয়াম্বনা তনবা নৎত্রগা হঙ্গোয়বা পোক্নরমগদ্রা খল্লুবনি অদুবু ইরৈবাক-ইরমদমসিগী মীয়ামসিদি ইলেক্সনগীদমকনিবু হায়রবদি তনবা অমসুং থৱায় য়াওনদবগী মওং খক লৈরমদে। ঙরাংতা জেনরেল ইলেক্সনদা চোকথনখ্রবা মীয়ামশিং ঙসিসু চোকথরমখিনি খল্লুববু ইলেক্সননিবু হায়রবদি ইরমদমসিগী মীয়ামসিদি কনামতা হেক চোকথনরমদবগুম তৌই। লমদমসিগী মীয়ামসিনা ইলেক্সনদা থৱায় য়াওরিবা খূৎয়াওসিগা ইরমদমসিদগী কাখিবা এম এল এ, কম্মিস্নর, প্রধানশিংগী মওং-মতৌসিগা ওন্থোক্না চুশিন্নখিদ্রে। তৌবুদি ইলেক্সন অমুক-মুক লেপ্পসিদা হৈদোক্লিবা শেনয়ামসিসু য়ামখ্রবা জাৎনি। মীচম-মীয়াম ঐখোয়গী মীত্তদি অমুক্তা উনদ্রিবনা অয়াম্বা ওইরমগনি। ইরমদমসিগী মীয়ামসিনসু ইলেক্সনদা থৱায় য়াওবগী চাংসি ইলেক্সনগা চাক্না তোৎতুনা চাবা য়াবসিগা চপ মান্নে। মীয়াম্না খন্নরিবসিগীসু মরম অমদি লৈরমগনি। লমদমসিদা ইলেক্সনগীদমক কেম্পেয়ন চৎপীনবা, ইলেক্সনদা থৱায় য়াওবা মীয়ামগী মশীংসি খক ৱাৎকদবা মান্দ্রি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইন্দিয়াগী ম্যুনিসিপালিটি এরিয়া অমদি রুরেল এরিয়াশিংদা লৈবা মীয়ামগী পুন্সি মহিংশিং অমদি পুন্সি মরেলশিং য়াম্না কূপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা ম্যুনিসিপাল এরিয়া অমদি রুরেল এরিয়াশিংগীদমক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং পঞ্চায়তি রাজ লিংখৎলিবনি। মফম অমসুং ফীভম খেন্নবগী মতুংইন্না ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং পঞ্চায়টকী মথৌসু খেন্নহল্লি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা থৌরাংশিংসি য়াম্না কূপ্না অমসুং মমুৎ তানা খন্থরবা মতুংদা পুথোক্লক্লিবনি। থৌদৌসিগা মরী লৈননা, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ম্যুনিসিপাল অমসুং রুরেল এরিয়াশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং পঞ্চায়তি রাজ এক্টকী মতুংইন্না কাউন্সিল্লর, জিলা পরিষদ, প্রধান অমদি মেম্বরশিং খনহল্লি। কাউন্সিল্লর, জিলা পরিষদ, প্রধান অমদি মেম্বরশিংনা তৌগদবা মথৌশিংদু মপূং ফানা অমসুং চুম্না পাঙথোকপা ঙমগদৌবা মীওইশিংদা ঐখোয় ইশা-ইশানা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি পঞ্চায়তি রাজ এক্টকী মতিক মঙমশিংদু খঙনা ভোট থাদবগী মথৌ তাই। ফীভমসি খক্তদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং পঞ্চায়তি রাজ এক্টকী চপ চাবা মহাউশিংদু ইন্দিয়াগী মীয়ামসিনা ময়েক শেংনা ফংবা ঙমগদৌরিবনি। মদু নৎত্রবদি ইরমদমসিগী ইচিন ইনাওশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীরিবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং পঞ্চায়তি রাজ এক্টকী মহাউশিংদু কৈদৌঙৈদা খক ময়েক শেংনা অমসুং চপ চানা ফংবা ঙল্লোই। হঞ্জিন-হঞ্জিন টর্ম কয়ারক্কী মমাঙদগী হৌনা ইরমদম মণিপুরসিগী ওইনা ভোটর ওইরিবা ঐখোয় খুদিংমক্না ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং মণিপুরগী পঞ্চায়তি রাজ এক্টনা পীবা চপ চাবা মহাউশিংদু ফংবা ঙমদদুনা লাক্লি। ঙসিসু অমুক্তা কম্মিস্নর, জিলা পরিষদ, প্রধান, মেম্বরনচিংবশিংসিগী প্রোফেসনশিংগী ৱাহন্থোকশিং নিংথিনা খঙহৌদদুনা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং পঞ্চায়তি রাজ এক্টকী অশেংবা মহাউশিং ফংবা ঙল্লোইদৌরিব্রা? ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল করিগীদমক লীংখৎলিবনো অমসুং পঞ্চায়তি রাজ এক্টনা কনাদা কৈদৌনবগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পুথোক্লক্লিবনো হায়বসি ঐখোয়না য়াম্না ময়েকশেংনা খঙবগী মথৌ তাই। নৎত্রবদি, কাউন্সিল্লরশিংসি পি দল্লিয়ু দিনা থারোইদৌবা লৈরক কোন্থোংশিং খক্তমক কয়লা থাবীনবগীদমক মীয়াম্না খনবা মীশক ওইনা লৌনরকপসু য়াই অদুগা জিলা পরিষদ অমসুং প্রধানশিংবুনা মীয়াম্না খনবা লৈরক খুল্লক নূঙ থাবীনবা অমসুং পুখ্রি নালাশিং রিটেনিং ৱাল চনবীনবা লৈঙাক্লা য়ারবা স্পিসিএল কন্ট্রেক্টরশিং ওইনা উনরকপসু য়াই। লৈকায় লৈকায়গী মেম্বরশিংসু জিলা পরিষদ অমদি প্রধানগী জোব কার্দকী থবকশিং পান্নবগীদমক লৈকায়না খনবা মীশক ওইনা খন্নরক্কনি। থৌদৌসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মীচম মীয়ামদা, ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল্লর, জিলা পরিষদ, প্রধান অমদি মেম্বরশিংসি কনা কনানো অমসুং মখোয়গী মথৌশিংনা করি করিনো হায়বদু ময়েক শেংনা অমদি শুগায়না খঙহনবা ৱাৎপদগী ওইগনি। খঙহন্দ্রবদি ইরমদমসিনা মীয়ামসিনা মখোয়গী ভেল্যু খঙলরোই।

মতাংসিদা ইলেক্সনগীদমক ভোটর ওইরিবা ঐখোয়গীসু অশোয়বা কয়ামুক লৈ। 'ইলেক্সন নকশিল্লক্লবনি হায়দুনা য়ারিবমখৈ য়ূমদা চাক খক চানীংদবা, ভোটকী মীংদা তাঙলবা মতমশিং মাঙহনবগী নুংনাংবা খক লৈতবা মীওইশিং ঐখোয়গী ইরমদমসিদনা খিৎসু হেন্না লৈব্রা খল্লি। ইলেক্সনগীদমক খন্ন-নৈনবা অম'নিদি ইশাগী মতম কায়থোক্তুনা য়াওরুবা কায়দে। মদুনা খঙলমদবা কয়া খঙলকপসু য়াই অদুগা তারমদবা কয়া'মসু তারকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং, নুমিৎ খুদিংগী ওইনা ভোটকী মিংদা ইশাগী তাঙলবা মতমশিং মাঙহনবগী থৌদৌসিমদি মীয়াম্নসু ঐখোয়বু থৌরৈতবা ওইনা লৌরক্কনি। থৌদৌসিনা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি ইশাদা নত্তনা ইরমদম পূম্বসিগীসু অচৌবা মাঙজবা অমা ওইরকপা য়াই। মসিনা ইলেক্সন লেপ্লিবা কেন্দিদেটশিংদসু অরেম্বদা কান্নফম খঙহন্দনা অচৌবা চাদিং অমসু হেঙ্গৎহল্লি। ফীভমসিনা কৈদৌঙৈদসু খক ইরৈপাক-ইরমদমসিগী অমদি খুন্নাইসিগী ওইনা কান্নবা মচেৎ অমা ফাওবসু পুরক্লোই। ইলেক্সনগীদমক কেম্পেয়ন অমদি খন্ন-নৈনবগী মিংদা মশাগী ওইজ-ওইথক্কী লম্বেলশিং চপ চানা ফংলবা মীওই খরনা লমজিংলগা মখোয়গী মতুং ইন্দুনা, ইশাগী কান্নবা অমসুং ওইজ-ওইথক অমত্তা ফংদনা পুন্সিবু অরেম্বদা মীনা লৈরগা শীজিন্নখিবগী থৌদৌসিসু হায়ফেৎ চাং তানা হিংমনবরা খল্লি। অসুম্না, কোয়চেন চেন্দুনা, কোয়চোং চোংদুনা মীগী মতুং ইল্লিবা কাঙবুশিং পুন্সি চূপ্পা মহাম তাদুনা অয়াম্বা লেনগল্লি। ৱাফমসি অতোপ্পগী পর্সনেল ওইবা হীরমশিংদা খূৎ থিংজিনজবগী ৱাফমদি নত্তে। পূম্নমক্না চৎমিন্নবা য়াবা অফবা ৱাখল্লোন ওইরবদি মতম চূপ্পদা কান্নগনি। এম এল এগী ওইগেরা, প্রধানগী ওইগেরা নৎত্রগা জিলা পরিষদকীবু ওইগেরা, লাক্লিংবা ইলেক্সননা লাকপদা ইশাগী মতম কা হেন্না মাঙহনবদি অফবা থোইদোক্না ওইরোই হায়জবনি। অদুম ওইনমক, ইশানা ইশাগী রাইট চপ চানা শিন্নবা য়াবা মীশক থিবদদি ইশাগী মতম খরদং কাইথোকখিবসু থোইনা কায়বা নতে। নত্তদুনা অয়ূক নুমিদাং খায়দনা ভোটকী ৱাদা তৌদুনা লৈবনদি চুল্লোই হায়জবনি। ইলেক্সন মখল খুদিংমক্তা ঐখোয়না ইশা-ইশানা চেকশিন্না পাঙথোকহৌবা য়াবা থৌদৌশিংদু পাঙথোকহৌদবদগী ঐখোয়গী তুংগী পুন্সিনা ঙসি সি-ওইরক্লিবনি অমসুং ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী থাকসিসু ৱাংখৎপা ঙল্লমদ্রিবনি। ঐখোয়গী মাঙদা মশীং থিঙমদনা কয়ারক হন্না ইলেক্সনশিং পাঙথোকখ্রে, ঐখোয় ইশা য়াওবশিং ঙাক্তনসু মশীং থিঙমখিদ্রে। ঐখোয়না শুপ্নগী ইরমদমসিগী ইলেক্সনগী চৎনবীনা শঙখ্রবা মচু অমখক্তদা অমসুং চপ মান্নবা ঈচেল অমত্তদা মতম শাংনা তাওথমিন্নরুবদগী ঙসি ঐখোয়গী পুন্সিনা ওইরিবশিংসিনি। ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী চাওখৎ খোঙজেলগী নেম্লবা থাকসিসু থৌদৌসিনা ওইহনবনি। ইলেক্সনদা মায় পাক্লবা মীশক অমত্তনা কৈদৌঙৈদা খক মঙোন্দা ভোট পীদুনা মাবু ভোট কাহল্লক্লিবা মীপূম খুদিংমক্তু মথন-মথন্তগী ওইবা লম্বেলশিংদা মনীং থুংনা চৎহনবা খক ঙমদে, ঙম্ফমসু থোক্তে। ঈচাওদা ইশাগী তুম্বা শেন্নরিবৈদা, খুলগী কোর্ফু-কোর্ফানশিং তাওথখিবগুম্বনি। ঙসিসুনি ঐখোয়না ইশাগী তোংজবা মচেৎকীদমক ইলেক্সনদা শুপ্নগী লুপা খরখক অমদি পামজবা চিঞ্জাক খরদং মিতারিঙৈদা লৈঙাক্লা শেম্বীরক্কদৌবা লম্বী থোংশিং অমদি ইশাগী ওইনা লৈঙাক্লা থুংবীরক্কদৌবা চাকথুংশিংদুদি অরেম্বদা পাইখ্রনি। ইলেক্সনদা লুপা খরখক ফংহৌবা য়াই, তৌইগুম্বসুং লৈকায়গী অতৎপা উকুদুদি মথংগী ইলেক্সন্না লাকপদসু অদুম্মক তৎতুনা লৈরমগনি। চেঙ পুরগা চেঙ শিং, ফৌ পুরগা ফৌ শিং, ইলেক্সন লেপ্লিবা কেন্দিদেটশিংনা য়েল্লিবা শেনফমশিং অরেম্বদা য়েনবা খক ওইরল্লোই। শেল লেম্না মাঙহনগে খনবা কেন্দিদেট অমত্তসু য়াওরল্লোই।

হন্দক্কী লাক্কদৌরিবা পঞ্চায়ট অমদি কম্মিস্নরগী ইলেক্সনসিদদি মণিপুরগী মীয়াম ঐখোয়সু শিংহৌবা চুম্লনি। মমাঙগী পঞ্চায়ট ইলেক্সনশিংদা 'জোব কার্দ হায়বা নত্তে, জোব কার হায়বনি' হায়বা ৱাফম, মণিপুরগী এসেমব্লিদা ফাওবা য়ৌনা ঙাঙনখিবদু ঐখোয়সু খরা নীংশিংসি।? ●

# ৫শুবা নেচরোপেথিগী নুমিৎনা লাকপদা

## (১৮ নবেম্বর, ২০২২)

- ডা. কে বসন্ত -



নেচরোপেথিগী লায়েং অসিগী কান্নবা অমসুং লায়েং পথাপ অসিবু মীপূম খুদিংদা খঙহনবগী পান্দমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঙসিদি নম্বের ১৮ অসিবু নেচরোপেথিগী নুমিৎ (নেচরোপেথি দে) হায়না চহী ৫গী মমাঙদগী লাউথোকপীখ্রে।

নুমিৎ অসিনা য়ৌরকপদা লায়েং পথাপ অসিবু ইন্দিয়াদা হৌদোকপীরম্বগী চাওরাকপা ৱারী ওইনা খঙজিনমিন্নবা কান্নগনি খঞ্জে।

মীওই কয়ানা লায়েং পথাপ অসিবু তশেংনা পামজবা অমদি থাজবগা লোয়ননা লাইরিক ওইনা ইদুনা থম্বীরম্মী, অনা লায়েংশঙ ওইনসু লিংখৎপীদুনা থম্বীরম্মী। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা অন্ধ্রপ্রদেশকী শ্রীদ্রোনমরাজু ভেঙ্কতচলপতি শর্ম্মা, ইহান হান্না জর্মনগী নেচরোপেথি হৌদোকপীরম্বা লুইস কুইনে (Louis Kuhne) গী লায়েং পথাপ অসিবু পুশিনবীরকখি।

মহাক্কী নুপীগী লায়না 'ঈ হাথবা' (মেত্রেরেজিয়া) গী লায়েংনবা হীদাক কয়া চাদুনা, হার্বেল হীদাক কয়া শীজিন্নদুনা অমদি চিঞ্জাক থিংদুনা মখল কয়াগী লায়েংনা হোৎনবদা চহী ৮ কান্নবা ফংদনা ৱানা লেল্লম্মী। মতম অদুদা মহাক সব রেজিষ্টার ওইনা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টতা বৃটিশকী মখাদা থবক তৌরম্মী। মহাক্কী থবক তৌমিন্নবা সব-ইঞ্জিনিয়র অমনা 'তব বাথ' কী লায়েং (ঈশিং তিংবা) চৎথনবা মঙোন্দা হায়রম্মী। মতম অদুদা জর্মনগী ইঞ্জিনিয়রশিংগী মরক্তা 'তব বাথ' কী মরমদা য়াম্না হায়নরম্মী। ইন্দিয়াগী ইঞ্জিনিয়রশিংগা পূন্না থবক তৌমিন্নবদগী ইঞ্জিনিয়র অদুনা থাজদুনা দ্রোনমরাজুদা লায়েং অসি চাংয়েং তৌনবা হায়রকখিবনি। মহাক্না লায়েং অসিগী মরমদা ইবা, লুইস কুইনে (Louis Kuhne) গী 'ন্যু সাইন্স ওফ হিলিং' অসি জর্মনদগী চেন্দুনা মহাক্কী নুপীদা লায়েং চথবা হৌরম্মী। অসুম্না লয়েং অসিদা মহাক্কী নুপীদু মশাদা লৈরম্বা অনাবা পূম্বা ফখিবদগী মহাক্না মপূং ফানা নেচরোপেথিগী লায়েং অসিবু হেন্না থাজবা থমখি।




মপূং ফানা লায়েং অসিগী মরমদা খঙনীংবদগী জর্মনদা চৎতুনা চহী ৩ নেচরোপেথিগী লময়ানবা ফাওরবা লুইস কুইনেগা লৈমিন্নদুনা লায়েং পথাপ অসিবু নিংথিনা তম্লবা মতুংদা ইন্দিয়াদা লুইস কুইনেগী নেচরোপেথিগী লায়েং মওং অসি পুরকখি। অহানবা ওইনা 'ন্যু সাইন্স ওফ হিলিং' কুমজা ১৮৯৭তা তেলেগু লোন্দা হন্দোক্তুনা ফোঙখি। মতুংদা 'সাইন্স ওফ ফেসিএল এক্সপ্রেসন, রিয়ারিং ওফ চাইল্ড অমসুং এম আই সিক ওর ৱেল' মথং মথং তেলেগু লোন্দা ফোঙখি। অসুম্না চহী ২০ লোম অনাবা কয়াবু লায়েংদুনা লাইরিক্তা ইরিববু অচুম্বা ঙাক্তরা হায়বা চাংয়েং ওইনা তেলেগু তাবা মফমশিংদা নেচরোপেথিগী লায়েং অসি মথং মথং অহানবা ওইনা শন্দোক্লম্মী। ●